**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং মণিপুরদা লাক্লগনি। লাঞ্জেন্নরিবশিংগা উন্নগনি, লুপা কোতি লিশিং ৮,৫০০ রোমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা শঙ্গানি, খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী হয়েংগী মণিপুর খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা ঙাক শেনবগী থবক খম থেংনা কল্লে।

৩) বি.জে.পিগী অৱাং নোংপোক লমদমগী থৌ পুরিবা সন্বিত পত্রনা হায়রি- সবকা সাথ, সবকা বিকাশ, সবকা প্রয়াস অমসুং সবকা বিস্বাস হায়বা মন্ত্র অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা মণিপুরবু হেন্না চাওখৎহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলি।

৪) রাজ্যগী টেক্সেসকী কম্মিসনার মার্সিনা আর. পামৈনা হায়রি- নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মনা টেক্স থিরিবশিং অমদি লৌরিবশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি।

অমসুং

৫) সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, ভারতকী ১৫ শুবা উপ রাস্ত্রপতি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

------

চীফ সেক্রেতরি (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং মণিপুরদা লাক্কুনা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ৮,৫০০ রোমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গানি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎকা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি পুনিত কুমার গোয়লনা হায়- প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ১১ মখায়রোম তারকপা মতমদা চুরাচান্দপুরদা থুংদুনা মফম অদুদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। চুরাচান্দপুরগী তুইবোংদা লৈবা পিছ গ্রাউন্দদা লুপা কোতি লিশিং ৭, ৩০০ লোমগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়াগী উরেপ উয়ুং তমগনি। শ্রী মোদিনা উরেপ উয়ুং তমগদবশিং অদুগী মনুংদা- মণিপুর অরবান রোডস দ্রেনেজ অমসুং এসেট মেনেজমেন্ট ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্ট, মণিপুর ইনফোতেক দিভলপমেন্ট (এম.আই.এন.দি) প্রোজেক্ট, তোঙান তোঙানবা মফম ৯ দা ৱার্কিং ৱিমেন হোষ্টেলশিং শানবা, পোলো গ্রাউন্দগী অকোইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা অমসুং নেসনেল হাইৱে-১০২-এগী সংসকতগী তেংনৌপল ফাওবগী পেকেজ ৱান অমসুং থ্রিগী উরেপ উয়ুং তম্বনচিংবা য়াওনা পুন্না প্রোজেক্ট ১৪ গী উরেপ উয়ুং তমগনি।

মদুগী তুংদা মফম অদুদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মাতিন অমদা ৱা ঙাংগনি। চুরাচান্দপুর খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রিনা নুংথিলগী পুং ২ রোম তারকপা মতমদা ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলা থুংদুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। মফম অদুদা মণিপুর অমসুং মণিপুরগী মপানদা পায়খৎপা লুপা কোতি লিশিং ১,২০০ রোমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গারমগদবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা- নিউ দিল্লিগী দ্বারকাদা লৈবা মণিপুর ভবন, কোলকাতাগী সোল্ট লেকতা লৈবা মণিপুর ভবন, ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সিভিল সেক্রেতরিয়েট অমসুং নিউ পুলিস

হেদক্বাটর, তেংনৌপল, নোনে, পল্লেল অমদি মোইরাংদা শাবা ইমা মার্কেট মরি, নোনে জিলাগী ইম্ফাল-জিরিবাম নেসনেল হাইৱে-৩৯ গী ইরং তুরেলগী মথক্তা শাবা লেন মরি লৈবা থোং, কলেজ ফগৎহনশি মিসনগী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিংদা লৈবা গভর্নমেন্ট কলেজ মঙা য়াওরি।

হয়েং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎ অসি মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্ননবা আপীল তৌরদুনা চীফ সেক্রেতরিনা হায়- শ্রী মোদিনা হয়েং মণিপুরদা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগদৌরিবা অমদি উরেপ উয়ুং তমগদৌরিবা অসিনা রাজ্য অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা কেন্দ্র সরকারনা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি হায়বদু উৎলে।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী হয়েংগী মণিপুর খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা ঙাক শেনবগী থবক খম থেংনা কল্লে।

রাজ্যগী দি.জি.পি রাজিভ সিংহনা লুচিংদুনা ইম্ফালগী মফম কয়াদা কোইনা চত্তুনা প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎকী মাংওইননা লৌখৎলিবা ঙাকশেলগী থবকশিং হন্না য়েংশিনখ্রে।

রাজ্য পুলিস অমসুং তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রগী ফোর্সশিংগী অপুনবা কাংবুশিংনা ইম্ফাল অমসুং চুরাচান্দপুরগী মফম কয়াদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। চিংনবা মফম কয়াদা বোম স্কৱাদশিং য়াওনা থিবা হুম্বগী থবক চখ্বরি। ইম্ফালগী কংলাগী অকোইবা অমসুং চুরাচান্দপুরগী তুইবোং পিছ গ্রাউন্দগী অকোইবদা নিংথিনা লৈতেংদুনা প্রধান মন্ত্রিবু তরামা ওকবা থৌরাং তৌরি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা হয়েং গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং-মনিপুরগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা পাঙথোক্কদবা থৌরম য়াওগদবা ভি.ভি.আই.পিশিংনা কংলাগী খা থংবা গেটলোমদগী চংল্লক্কনি। খোঙনা লাকপশিংনা নোংচুপ থংবা গেটতগী চংল্লক্কনি অদুগা পাস য়াওবা গাড়িশিংনা অৱাং থংবা গেটতগী চংবা য়াগনি।

থৌরম অদু য়াওনবগীদমক মীয়াম পুরকপা গাড়িশিংগী লাকফম অমসুং গাড়ি খাম্ফম তোঙান তোঙানননা শিল্লে। শিংজমৈ চিংঙা ফাওরগা ময়াই লম্বীরোমদগী লাকপা, শিংজমৈ থোং ফাওরগা থৌবাললোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা ৱাংখৈ ফাওরগা মিনুথোংদা খামগনি। পেসেঞ্জর থাদরম্লবা মতুংদা লমলোংলোমদগী লাক্লগা পোরোম্পাৎ ক্রোসিং, অনন্দা ক্রোসিং অমদি পেলেস গেট ফাওরগা হপ্তা কাংজৈবুংদা খামগনি। লমলোং, সেকমাই অমসুং থাংমৈবন্দলোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা ইম্ফাল হোটেল মমাংদা পেসেঞ্জরশিং থাদরম্লগা এন.সি.সি গ্রাউন্দ নৎত্রগা খুম্মন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা খামগনি।

উরিপোক, শগোলবন্দ, টিদিম অমদি ময়াই লম্বীরোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা ৱাহেংবম লৈকাই নৎত্রগা উরিপোক্তা পেসেঞ্জরশিং থম্লম্লগা এন.সি.সি. গ্রাউন্দ নৎত্রগা ইন্টর ষ্টেট বস টারমিনসতা খামগনি।

সম্বিত (এল)ঃ বি.জে.পিগী অৱাং নোংপোক লমদমগী থৌ পুরিবা সম্বিত পত্রনা হায়রি- সবকা সাথ, সবকা বিকাশ, সবকা প্রয়াস অমসুং সবকা বিস্বাস হায়বা মন্ত্র অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা মণিপুরবু হেন্না চাওখৎহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলি।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি.জে.পিগী থম্বাল শঙলেনদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী পত্রনা হায়- প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ মনুংদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট শঙ্গাগদৌরিবা অমসুং উরেপ উয়ুং তমগদৌরিবা অসি শ্রী মোদিনা মণিপুরবু থম্মোয় শেংনা চাওখৎহন্নিংই হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিবু মায়াম পুন্না থোরক্তুনা তরামা ওকমিন্নশি হায়নসু শ্রী পত্রনা আপীল তৌখি।

জিএসটি (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সরকারনা থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌননবা অয়াবা পীখ্রবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মবু মাইকৈ কয়াদগী তরামা ওকপা অমদি থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

অকাশবানি ইম্ফালগা ঙসি জি.এস.টি রিফোর্ম অসিগী মতাংদা অখন্নবা উন্নবা অমদা রাজ্যগী টেক্সেসকী কম্মিসনার মার্সিনা আর. পামৈনা হায়- নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৫৬ শুবা জি.এস.টি কাউন্সিলনা অয়াবা পীখ্রবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্ম অসিনা নুংতিগী শিজিন্নবা পোৎলম কয়াদা লৌরম্বা টেক্স শিংথানিঙাই ওইনা হন্থহল্লে। হান্নবা চাদা ১২ লৌরম্বশিং চাদা ৫ দা হন্থহনবা অদুগা খরগীনা শুকলৌ লৌদবা য়াওরি। মহাকা হায়- হান্না জি.এস.টি অসি মপুং ওইবা স্লেপ মরিদা লৌরম্বা অদু অনৌবা রিফোর্ম অসিদদি স্লেপ অনিখক্তদা লৌরগনি। হেন্দলুমগী পোথোকশিংদা চাদা ৫ টেক্স লৌরম্বা অদুগা হেন্দলুমগী ফিরোলশিং শাননবা মচাকশিংদা চাদা ১২, চাদা ১৮ অমসুং চাদা ২৮ নচিংবা টেক্স লৌরম্বশিং অদু অনৌবা রিফোর্ম অসিদদি টেক্স হন্থহনবতা নত্তনা টেক্স লৌরিবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

তোম্বী (এল)ঃ শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা হায়রি- চহি অনি থা মরি হেল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং অসিনা মীয়ামদা খম থেংনা অৱাবা চৈথেং কয়া পীরি।

ইম্ফালগী শিব সেনা বালা সাহেম থাক্রে ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী তোম্বীনা হায়- প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী মাংওইননা চুরাচান্দপুরদা অরানবা তৌবা মীওইশিংনা হোর্দিং অমসুং ফেষ্টুলনচিংবা শেগাইদুনা অমাং অতা থোকহনখিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মসিগা লোয়ননা সু তৌনরিবা কাংবুশিংনা চৎন কাংলোনশিং থুগাইবগী ৱাথোক কয়া থোক্লি হায়রি।

রাধকিশ্বর (এল)ঃ ওইনাম কেন্দ্রগী হান্নগী এম.এল.এ- লাইশ্রম রাধাকিশ্বর ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসতা য়াওখ্রে। ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী রাধাকিশ্বরনা হায়- মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মহাক কংগ্রেস দলদা য়াওখিবনি।

ডে (এল)ঃ ইম্ফালগী য়াইস্কুল জন্মাস্থানদা লৈবা নট সঙ্গিৎ একাদমি এন্দ রিছার্স সেন্তরগী ৩২ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমিগী দাইরেক্তর পি.বিলাস সিংহ য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ চান্দেলদা নুমিৎ হুমি চুপা চত্থরকপা লি-ৱাগী ত্রেনিং মায় পাকা লোইশিনখ্রে। ত্রেনিং অদু দি.এফ.ও চান্দেলনা শিন্দুনা রাইজিং এন্দ এসেলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স স্কিমগী মখাদা পাঙথোকখিবনি। ত্রেনিং অদুদা পুন্না মীওই ৬০ রোম শরুক য়াখি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত চান্দেলনা শিন্দুনা চাইল্ড রাইটস অমদি মরী লৈনবা এক্টশিংগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চুপা চত্থরকপা এদভোকেসি অমসুং এৱারনেস প্রোগ্রাম ঙসি জিলা অসিগী মিনি সেক্রেতরিয়েটকী মল্টিপরপজ হোলদা লোইশিনখ্রে।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা ওপরেসন শিন্দুরগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীফম পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবগী থৌরম লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাংসু চুরাচান্দপুর জিলাগী বেথনি খৃষ্টান কলেজ অমসুং দোনবোস্কো হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ওপরেসন শিন্দুরগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মহৈরোই ৭৪৩ শরুক য়াখি।

ইম্ফালগী দি.এম কলেজ কেম্পসতা লৈবা এন.সি.সি গ্রুপ হেদক্বাটরসতসু মসিগা মান্নবা থৌরম অমা পাঙথোকখি। মদুদা কেদেট ১৫০ রোমা শরুক য়াখি হায়রি।

নোং ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ খরনিদা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা নোং চুগনি। ঙসি অমসুং হয়েং রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা পাক শন্না নোং তাগনি। মফম খরদদি অখাক অরাউ

য়াওনা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুরবা য়াই।

রাস্ত্রপতি ঃ সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, ভারতকী ১৫ শুবা উপ রাস্ত্রপতি ওইনা ঙসি ৱাশক লোখ্রে। রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা শ্রী রাধাকৃষ্ণনবু রাস্ত্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, হান্নগী রাস্ত্রপতি-রামনাথ কোবিন্দ, হান্নগী উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর, গহ মন্ত্রি-অমিত সাহ য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

উপ-রাষ্ট্রপতি ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং শ্রী রাধাকৃষ্ণন্না রাজ ঘাৎতা চত্তুনা মহাত্মা গান্ধিগী মফমদা লৈ কৎখি। তুংদা, সদেব অতলদা চত্তুনা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায়গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

তামিলনাদুগী তিরুপুরদা পোকখিবা চন্দ্রপুরম পোনুসামি রাধাকৃষ্ণন মহৈরোই লুচিংবা অমা ওইনা মহাক্কী রাজনীতিগী খোঙচৎ হৌরকখি। মদুগী তুংদা আর.এস.এস য়াওরকখি। মহাক কোম্বাইতোরদগী লোক সভাগী এম.পি ওইনা অনিরক কারকখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী রাজ্য ৫ গী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। শ্রী মোদিনা হয়েং মিজোরম অমসুং মণিপুরদা চৎলবা মতুং অসামদা থুংদুনা গুৱাহাতিদা ডাঃ ভুপেন হজারিকাগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়াগনি। রাজ্য অদুগী পুন্না লুপা কোতি লিশিং ১৮ লোমগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি। নোংচুপ বেঙ্গলদসু প্রধান মন্ত্রিনা চত্তুনা কোলকাতাদা ১৬ শুবা কম্বাইন কম্মান্দরস কনফরেন্স হৌদোক্কনি। শ্রী মোদিনা বিহারদসু চত্ না পুরনিয়া এয়ারপোর্টকী নৌনা শাবা টরমিনেল বিল্ডিং শঙ্গাগনি। মফম অদুদা শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ৩৬ লোমগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি অমসুং খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) চান্দেলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথুরিবাদি.সি. চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা অংখেল চয়াং ৱাই.সি.সিনা রিনদাংখুল এস.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অংখেলগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু রেংহোংনা শান্নবগী ৬৩ শুবা অমসুং এক্সত্রা টাইমগী অনিসুবা মিনিটতা চনখি।

ফুটবোলঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) চান্দেলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথুরিবা দি.সি চান্দেল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জাইওনলাং এস.ৱাই.সিনা চুম্বাই এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখ্রে। জাইওনলাংগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এম.কে. জেফ্রি, পি.আর. লুংগির, জাইসু অমসুং ফেঙ্কলিন লুংথরনা চনখি। অদুগা চুম্বাং এফ.সিগী পাঞ্জল অদুনা খয়াং চোথে অমসুং পাঞ্জল অমনা জাইওনলাংগী টি.ঐচ. লভজোইনা ওন গোল চনজখিবনি।

অমফা ঃ ৩০ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজ মাতা জিজাবাই ট্রোফি ২০২৫-২৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা মণিপুর সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোই ২০ গী মীং লাডথোকখ্রে। মণিপুরগী টিমদা য়াওনবগীদমক খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৫ গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা মশাগী দোক্কুমেন্টশিংগা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরনবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লি।

লোয়ননা সেনিয়র ৱিমেন্স টিমগী টিম মেনেজরনা ও. বেবেম দেবী, হেদ কোচনা ই. রতন অমসুং ফিজিও থেরাপিসনা নজমিন পথাননা ওইরগনি হায়রি।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা চথ্নগদবা য়ুমাম মনাউ মেমোরিয়েল ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ফিকচর থোকখ্রে। টিম ৯ না শরুক য়াদুনা চথ্নগদবা লিগ অসিগী অহানবা মেটচ থা অসিগী ১৫ দা টি.ৱাই.দি.এ তৌবুল অমদি বি.এফ.এ অনিনা শান্নগনি।

**এৱার্দ ঃ** অনিসুবা এম.এন.সি.এ এৱার্দস ২০২৪-২৫ ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা লাম্থোকখ্রে। ঙসি লাম্থোকখিবা এৱার্দশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা চহি কাংলুপকী খ্বাইদগী রন য়ামা লৌবা, ৱিকেট য়ামা লৌবা অমসুং খ্বাইদগী ফবা ৱিকেট কিপ্পরগী মনাশিং লাম্থোকখি। অপুনবা এৱার্দ ৮ লাম্থোকপগী মনুংদা ইমরজিং প্লেয়ার, প্লেয়ার ওফ দি ইয়ার, বেষ্ট ওফ দি ইয়ার, সপ্পোর্ট ষ্টাফ, ভেন্যু, ক্লব, স্পেসিয়েল কেটাগোরি, আউটষ্টেদিং কন্ত্রিব্যুসন অমসুং লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দনচিংবসু

------